# বৃটেননা য়ুক্রেনদা বেটল টেঙ্কশিং থারগনি

## দনিপ্রোদা শিখিবা মী মশিং ১৮ শুরে



কিভ/লন্দন, জনুৱারী ১৫ (এজেন্সী):

য়ুক্রেনগী দনিপ্রো সিটিদা রসিয়ানা চথখিবা মিসাইল এটেক্তা শিখিবা মী মশিং ১৮ শুরে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ুক্রেনিয়ন ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, বৃটেননা অথুবা মতমদা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা লানগী টেঙ্ক স্কৱাদ্রোন অমা থাদুনা য়ুক্রেনগী দিফেন্সতা মতেং পাঙলগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

সেন্ট্রেল ইষ্টর্ন য়ুক্রেনগী দনিপ্রো পেট্রোবস রিজনগী গভর্ণর বলেন্টিন রেস্নিচেনকোনা নোংমাইজিং নুমিৎকী লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৭.২৫ তাবা মতমদা টেলিগ্রাম মেসেজিং এপতা ইখিবদা রসিয়াগী মিসাইল এটেক অদুদা মীওই ৭৩ অশোক অপন নঙখিবগা লোয়ননা ইন্টেন্সিব ক্যেরদা লৈবা মীওই মরি য়াওনা পুন্না মীওই ৪০ হোস্পিটালদা লৈরি হায়না ফোঙদোকখি।

রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অহিং চুপ্পা মিসাইল ষ্ট্রাইক অদুদা হিংহৌবা মীওইশিং থিবগী থবক চথখি। অকায় অতোই মরক্তগী মতেং নিদুনা কপ লাউবগী মখোল কয়া তাবা ফঙখি হায়না ইমর্জেন্সি ৱার্করশিংনা ফোঙদোক্লখি। রেস্নিচেনকোগী মতুং ইন্না রেস্ক্যু ওপরেসন লেপ্তুনা চথরি। হৌজিক মীওই ৪০ হেনবগী লাইবক করি ওইগদগে হায়বা ঙমদ্রি।

এটেক অদুদা এপার্টমেন্ট ৭২ পুংতুম তুম্না মাঙ তাকখিবগা লোয়ননা অতৈ এপার্টমেন্ট ২৩০ হেন্না তোঙান তোঙানবা ফিভমশিংদা অকায় অতোই থোকখি। য়ুক্রেনগী টোপ মিলিটরি কম্মান্দনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা হায়খি, মদুদি রসিয়ানা থাংজ নুমিত্তা এয়র ষ্ট্রাইক অহুম, মিসাইল ষ্ট্রাইক ৫৭ অমসুং হেভি ৱেপন রোকেট সালবো সিষ্টেমশিংদগী এটেক ৬৯ চথরকখি। য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা রোকেট ২৬ কাপথখি। চয়োল অনীগী মনুংদা রসিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা এয়র অমদি মিসাইল ষ্ট্রাইকশিংগী ৱেবনি হায়না লৌনরিবা এটেকশিং অদুগী মতাংদা মোস্কোগী মায়কৈদগী খুদক্কী ওইনা কমেন্ট অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

য়ুক্রেননা মহৌশাদগী চৎনরক্লবা ওল্ড ন্যু ইয়র নত্তগা ওর্থোদোক্স ন্যু ইয়র ওবজার্ব তৌরিঙৈ মরক্তা রসিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা শাথিরবা এয়র ষ্ট্রাইক অমগী মিসাইল রেইদ অদু চথরকখিবনি। থাংজ নুমিৎকী ষ্ট্রাইক অদুদা কিভ অমসুং অতৈ মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংদসু শোকখি। মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা শোক্লিবা অদুনা কেপিটেল অমদি লৈবাক অদুগী অতৈ মফম কয়াদা মথংগী নুমিৎ খরনিদি পৱার সপ্লাইদা রেষ্ট্রিক্সন লৈরগনি হায়না ওফিসলশিংনা ৱার্নিং তৌখি।

য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা লমদমদা গ্রাউন্দগী লান কন্না চথরিঙৈ মরক্তা বৃটেননা ফ্রান্স অমসুং পোলেন্দগী মতুং ইন্দুনা মখা তানা য়ুক্রেনদা খুৎলায়শিং পীদুনা মতেং পাঙগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লাক্লিবা চয়োল খরগী মনুংদা লৈবাক অসিনা চেলেঞ্জর টু মেন বেট্টল টেঙ্ক ১৪ অমদি অতৈ এদভান্স আর্টিল্লরি সপোর্ট থারগনি হায়খ্রে।

নোংচুপলোমনা শাবা লানগী টেঙ্কশিং অহানবা ওইনা য়ুক্রেনদা থাবগী খোঙথাং অসিবু মোস্কোনা লান কনশিলহল্লক্কদবা খোঙথাংনি হায়না লৌরবা য়াই হায়রি।

লন্দনদা লৈবা রসিয়ন এম্বেসিনা মেন বেট্টল টেঙ্কশিং য়ুক্রেনদা থাবা অদুনা হৌজিক্কী লান অদু হেন্না কনশিলহল্লগনি অমদি মতম শাংহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

কিভনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা এদভান্স মিলিটরি ইক্বিপমেন্ট থারক্লবা লেপ্তুনা তকশিনবগা লোয়ননা জমর্নিসু প্রেসর অসিগী মখাদা খুৎশু খুৎলায় কয়া থাননবা ৱারেপ লৌরকপা য়াই হায়রি।

# মনুংগী ওইবা ৱাথোক্তা খুৎ থিংজিল্লকপগীদমক ইরাননা বৃটিস এনভোই কৌখৎখ্রে



টেহরান, জনুৱারী ১৫ (এজেন্সী):

য়ুকেনা ইরানগী মনুংগী ওইবা ৱাথোক লানথোকশিংদা খুৎ থিংজিল্লকপগী থৌওংশিং প্রোটেষ্ট তৌনবগীদমক ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা বৃটিস এম্বেসেদর সাইমন সেক্লিব কৌখৎখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী ৱেব সাইটতা থাগৎপা ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, ইস্লামিক রিপব্লিক ওফ ইরানগী নেসনেল সেক্যুরিটিগী মায়োক্তা সবোটেজ কী থবক থৌওং কয়া য়ুকেনা চথরক্লিবশিংগী মায়োক্তা ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱেষ্টর্ন য়ুরোপ দিপার্টমেন্টগী দিরেক্তর জেনরেলনা সেক্লিবতা প্রোটেষ্টকী ৱারোল পীশিনখি।

ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা বৃটিস এম্বেসেদর কৌখৎতুনা প্রোটেষ্ট তৌরিবদু য়ুনাইটেদ কিংদমগী সেক্রেট ইন্টলিজেন্স সার্ভিস (এস আই এস) কীদমক্তা অরোন অথুপ কয়া খঙদোক্লগা পীথোক্লম্বগী মরালদা থাংজ নুমিত্তা ইরানগী হান্নগী দিপ্যুটি দিফেন্স মিনিষ্টর অলি রেজা অকবরি হাৎখিবা মতুংদনি।

বৃটিসকী মায়কৈদগী অলে রেজা অকবরিনা নঙলিবা লাইবক অদু তারক্লবা ফঙখিবা ইনফোর্মেসনগী ৱাফম পল্লদুনা ইরানিয়ন ওফিসল অসিনা হায়খি, মদুদি ইস্লামিক রিপব্লিক ওফ ইরানগী নেসনেল সেক্যুরিটিদা শোকহনখিবা মহৌশাগা মান্নদবা লিঙ্কশিং অদুগী থৌদাং বৃটিস গভর্ণমেন্টনা য়াজগদবনি।

দিরেক্তর জেনরেলনা মখা তানা হায়খি, মদুদি ফত্তবা পান্দমগা লোয়ননা স্পাই অমবু সপোর্ট পীবা হায়বসি অমগা অমগা থাজনবগী ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইরগা মরী শাগৎনবা হোৎনরি হায়বা ক্লেমশিংগা তাইওন্নে। ইরানিয়ন দিপ্লোমেট অসিনা লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটি প্রোটেক্সনগীদমক মরু ওইবা ৱারেপশিং লৌবা মতমদা অতৈ গভর্ণমেন্টগী অয়াবা মরু ওইনা য়ুকেগী অয়াবা লৌবগী মথৌ তাদে হায়নসু ফোঙদোকখি। মহাক্না অসিগুম্বা ইল্লিগেল অমসুং ক্রিমিনেল ওইবা এক্সনশিং মখা তানা চথরকপা ওইরবদি টেহরাননা তুমিন্না খাঙদুনা লৈথোক্লোই হায়নসু ৱার্নিং তৌখি।

পনবা য়াবদি, ইরানিয়ন জুদিসরিগী মির্জান ন্যুজ এজেন্সিগী থাংজ নুমিৎকী রিপোর্ট অমদা য়ুকেগীদমক্তা অরোন অথুপ কয়া খঙনবা হোৎনরম্বা, করপসন অমসুং ইরানগী ইন্টর্নেল অমসুং এক্সটর্নেল সেক্যুরিটিগী মায়োক্তা থবক কয়া তৌরম্বগী মরালশিংদা অকবরি হাৎখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

# ইকনোমিক ফোরম সম্মিট ঙসিদগী দাবোসতা হৌদুনা য়ুক্রেনগী লান, গ্লোবেল ইনফ্লেসন, ক্লাইমেট চেঞ্জনচিংবা খন্নরগনি




দাবোস, জনুৱারী ১৫ (এজেন্সী):

ইকনোমিক ফোরম সম্মিট হয়েংদগী স্বিটজর্লেন্দগী দাবোসতা হৌদুনা হৌজিক মালেম্না মায়োক্লরিবা য়ুক্রেনগী ৱার ক্রাইসিস, গ্লোবেল ইনফ্লেসন, ক্লাইমেট চেঞ্জগুম্বা মরু ওইবা ইস্যুশিং খন্নবগা লোয়ননা মহৈ য়ানগদবা অনৌবা মওংগী সোলুসন কয়া পুথোক্লবা হোৎনরগনি হায়রি।

জনুৱারী ১৬ তগী ২০ ফাওবা চথগদৌরিবা চহী অসিগী ৱার্ল্ড ইকনোমিক ফোরম (দব্লিয়ু ই এফ) কী মীফম অদুগী থিম 'কো ওপরেসন ইন এ ফ্রেগমেন্টেদ ৱার্ল্ড' ওইগনি। এক্সপার্টশিং, একাদেমিকশিং, ইনভেষ্টরশিং, পোলিটিকেল অমসুং বিজিনেস লিদরশিংগী ওইবা কংগ্রেগেসন অদুদা য়ুক্রেনগী ৱার ক্রাইসিস মালেমদা হৌজিক থোক্লিবা পোৎচৈগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎলকপগী ফিভম ক্লাইমেট চেঞ্জনা থোকহল্লিবা প্রোব্লেমশিংনচিংবা মালেম্না হৌজিক থেংনরিবা মরু ওইবা ইস্যুশিং খন্ন-নৈনগনি অমদি ইস্যুশিং অসিগী মতাংদা সোলুসনশিং পুথোক্লবা হোৎনগনি হায়রি।

দব্লিয়ু ই এফকী মীফম অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা মালেমগী লূচিংবশিংগী মনুংদা য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট উর্সুলা বোন্দেরলিয়ন, জর্মন চাঞ্চেল্লর ওলাব সোলস, য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী প্রসিদেন্ট রোবার্টা মেটসুলা, সাউথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্ট সিরিল এম রমাফোসা, স্পেনিস পিএম পেদ্রো সান্সেস, সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট য়ুন সুক-য়িওল, স্বিজ প্রসিদেন্ট এলাইন বর্সেট অমসুং ফিনলেন্দগী পিএম সানা মারিন য়াওরি।

ইন্দিয়াগী ওইনসু মীফম অদুদা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াগনি। কংগ্রেগেসন অদুদা য়াওগদৌরিবা ইন্দিয়ন লিদরশিংগী মনুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং অস্বিনি বৈষ্ণোব, মান্সুক মন্দাবিয়া, স্মৃটি ইরানি অমসুং আরকে সিংহ অমদি চীফ মিনিষ্টরশিংগী মরক্তা একনাথ সিন্দে, বিএস বোম্মাই অমসুং যোগি অদিত্যনাথ য়াওরি।

ইন্দিয়াগী লিদরশিং অসিদা নত্তনা ইন্দিয়া ইঙ্ককী লূচিংবশিং মরু ওইনা টাটা সন্স ইন্দিয়াগী চিয়ারমেন নটারজন চন্দ্রন সেকরন, টাটা কন্সলটেন্সি সার্ভিসেসকী মেনেজিং দিরেক্তর অমসুং চীফ একজিক্যুটি ওফিসার রাজেস গোপিনাথ, টেক মহিন্দ্রগী সি ই ও অমসুং এমদি সি পি গুরনানি, ৱিপ্রোগী একজিক্যুটিব চিয়ারমেন রিসাদ প্রেমজি, বাইজুগী ফাউন্দর অমসুং সি ই ও বাইজু রবিন্দ্রন, পেটিএমগী ফাউন্দর অমসুং সি ই ও বিজয় সেখর শর্ম্মা, সেরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়াগী সি ই ও অদার পুনাৱালা অমসুং এস বি আইগী চিয়ারমেন দিনেসকুমার শরাসু শরুক য়ারবা য়াই।

# চাইনাদা লাইচৎ নেমথবা হৌরকপদগী কোভিদকী অরুবা কেস মশিং হন্থরক্লে

বৈজিং, জনুৱারী ১৫ (এজেন্সী):

চাইনানা হৌখিবা দিসেম্বরগী অঙনবা শরুক্তা কোভিদ লাইচৎকী রেস্পোন্স কনশিনখিবা মতুং থা অমা ফাদবা মতমগী মনুংদা ফিবরগী পেসেন্টশিং অমদি কোভিদকী অরুবা কেস মশিং লৈবাক শীন থুংনা হন্থবা হৌরকখিবগা লোয়ননা লায়না অসিগী অরুবা কেসশিং লৈবাক অসিদা হন্থবা হৌরক্লে হায়রি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, লৈবাক অসিদা ফিবরগী পেসেন্টশিং অমদি কোভিদকী অরুবা কেস অনীমক্কী মশিং খ্বাইদগী য়াম্বা মতমশিং হৌখিবগা লোয়ননা ফিভম অসি লাকপনি। কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বর ৮ অমসুং কুমজা ২০২৩ গী জনুৱারী ১২ গী মরক্তা লৈবাক অসিগী হেল্থ ওথোরিটিশিংনা হোস্পিটালশিংদা থোকখিবা কোভিদকা মরী লৈনবা মীশি মশিং ৫৯,৯৩৮ রিপোর্ট তৌখি।

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ষ্টেট কাউন্সিল জোইন্ট কোভিদ-১৯ প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল মেকানিজম্না পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা নেসনেল হেল্থ কম্মিসন (এন এচ সি) গী মখাদা লৈবা ব্যুরো ওফ মেদিকেল এদমিনিষ্ট্রেসনগী হেদ জিয়াও য়াহুইনা হায়খি, মদুদি হোস্পিটালশিংদা লৈরিবা অরুবা কেসশিংগী মশিং জনুৱারী ৫ দা ১২৮,০০০ য়ৌদুনা খ্বাইদগী য়ামখি।

মদুগী মতুংদা ক্রিটিকেল কেসশিংগী মশিং হাইদোক হাইজিন তৌদুনা হন্থরকখি। জনুৱারী ১২ দা অসিগুম্বা কেস মশিং ১০৫,০০০ ওইখি হায়না জিয়াওনা ফোঙদোকখি।

হেল্থ ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক হৌজিক কোভিদকী অকনবা কেসশিংগা মরী লৈননা বেদ চাদা ৭৫.৩ শীজিন্নরি। হৌজিক লৈরিবা ইন্টেন্সিব ক্যেরগী অপুনবা বেদ মশিংনা ট্রিটমেন্টগী মতৌ তাগদবা বেদ মশিং মতিক চানা কোন্নে।

জিয়াওগী মতুং ইন্না ফিবরগী ক্লিনিকশিংদা লায়েংবা লাকখিবা মীওইশিংগী মশিং কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বর ২৩ দা মিলিয়ন ২.৮৭ রোম ওইদুনা খ্বাইদগী য়ামখি অমসুং মদুগী মতুংদা অসিগুম্বা মীওইশিংগী মশিং লেপ্তুনা হন্থরকখি। জনুৱারী ১২ দা ফিবর পেসেন্টশিংগী মশিং ৪৭৭,০০০ দা হন্থরক্তুনা নুমিৎ খুদিংগী ওইবা খ্বাইদগী য়াম্বা মশিং অদুদগী চাদা ৮৩.৩ হন্থরকখি। ফিবর পেসেন্টশিংগী মশিং খ্বাইদগী য়ামখিবা মতুং চয়োল অনীরোম লৈরগা হোস্পিটালশিংদা কোভিদকী অরুবা কেসশিংগী মশিং খ্বাইদগী হেন্না ৱাংলকখিবনি।

# এন্টি-স্মগ্লিং ফাইট কনশিন্নবা ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্টনা এজেন্সিশিংদা ওর্দর তৌখ্রে




মনিলা, জনুৱারী ১৫ (এজেন্সী):

ফিলিপিন্স শীন থুংনা চথরিবা স্মগ্লিংগী থবকশিং থেংনবগী থবক হেন্না কনশিন্নবা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ফর্দিনান্দ মার্কোজনা গভর্ণমেন্ট এজেন্সিশিংদা ওর্দর তৌখ্রে হায়না প্রসিদেন্সিএল কম্ম্যুনিকেসন্স ওফিস (পি সি ও) না থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা পি সি ওনা হায়খি, মদুদি স্মগ্লিং কন্ট্রোল তৌনবা, লোজিষ্টিক কোজশিং হন্থনবা অমদি বিজিনেস তৌবদা লাইথোক্লবা মার্কোজনা র্বুরোক্রেসিদা রিফোর্ম পুরকপা পাম্মী।

মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্না লৈবাক অসিদা ইনভেষ্টমেন্টশিং অমদি বিজিনেস এক্তিবিটিশিং পুক্লিং থৌগৎনবা হোৎনরকপগা লোয়ননা খোঙথাং অসি লাকপনি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ৱা ঙাঙবদা গভর্ণমেন্ট এজেন্সিশিংনা লৈবাক অদুদা চথরিবা স্মগ্লিংগী থবকশিং য়েংশিনগদবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মীফম অদুদা মার্কোজনা হায়খি, মদুদি য়াম্না ফ্রেঙ্ক ওইনা হায়বা তারবদি ঐখোয়গী সিষ্টেম অমা লৈজে। তৌইগুম্বসুং সিষ্টেম অদু মথৌ তৌদ্রে। লৈবাক অসিদা মতম কয়াগী মমাঙদগী চথরক্লিবা স্মগ্লিংগী থবকশিং তশেংনমক পাক শল্লে। মরম অদুনা ঐহাক্কী মীৎয়েংদা লৈবাক অসিদা সিষ্টেম কয়া লৈবগে হায়বদু মখোয় অমত্তা থবক তৌদবনা থোইদোক্লা খন্ননিংঙাই ওইদে।

মসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না মথৌ তৌগদবা পোৎশক খরা থিনগৎপা মথৌ তাই। অসিগুম্বা মথৌ তৌদ্রবা সিষ্টেমশিং অসিদা ঐখোয়না মখা তানা দিপেন্ট তৌবা য়াররোই। হৌজিক গভর্ণমেন্টনা অসিগুম্বা অশোয়বা সিষ্টেমশিং অসি রিফোর্মশিং পুরক্তুনা চুমথোক্লগনি।

বিজিনেস সেক্তরদগী লাক্লিবা মরু ওইবা কমপ্লেন্টশিংগী মতাংদা পল্লদুনা প্রসিদেন্ট মার্কোজনা হায়খি, মদুদি লৈবাক অসিদা বিজিনেস তৌবদা লাইথোকহনবা অমদি লৈবাক অসিগী এয়রপোর্টশিং অমসুং সী পোর্টশিংগী ইন ইফিসিএন্সিগী ফিভমশিংগী মতাংদা ঐঙোন্দা কমপ্লেন্ট কয়া তৌরকপা লৈরে।

মহাক্না মরী লৈনবা এজেন্সিশিংদা অনৌবা ৱাখল্লোন অমদি পাম্বৈশিংগা লোয়ননা মখোয়গী মথৌ পাঙথোক্লবা আপিল তৌবগা লোয়ননা তঙাই ফরক্তবদি মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা অনৌবা এজেন্সিশিং লিংবা মথৌ তারকপা য়াই হায়খি।

# মুস্লিম দেলিগেসনগী সিঞ্জিয়াং খোঙচৎ উইগুরশিংনা কন্দেম তৌখ্রে



ৱাশিংতন, জনুৱারী ১৫ (এজেন্সী):

চাইনাগী ফার-ৱেষ্টর্ন রিজন সিঞ্জিয়াংদা লৈবাক অসিগী গভর্ণমেন্টনা চল্লাইরিবা পোলিসিশিংবু শৌগৎলিবা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংগী মুস্লিম স্কোল্লারশিপ অমদি ক্লেরিকশিংগী দেলিগেসন অমনা চয়োল অসিদা লমদম অদুদা পাঙথোকখিবা খোঙচৎ অমবু রাইটস গ্রুপশিং অমসুং মপানদা লৈরিবা উইগুরশিংনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে।

চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা কাঙলূপ নাইবা মীৎয়েংনা য়েংদুনা ওৎপী নৈবীরবা কম্ম্যুনিটিনা থেংনরিবা অৱাবশিং খঙশিন উশিন্নদনা দেলিগেসন অদুনা লমদম অদুদা খোঙচৎ অদু পাঙথোক্লিবনি হায়রদুনা রাইটস গ্রুপশিং অমসুং উইগুরশিংনা মখোয়গী খোঙচৎ অদুবু কন্দেম তৌখিবনি।

আর এফ এগী রিপোর্টনা হায়, য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস, জোর্দান, সর্বিয়া, সাউথ সুদান অমসুং ইন্দোনেসিয়া য়াওনা লৈবাক ১৪ গী ইস্লামিক রিপ্রজেন্টেটিব ৩০ হেনবা গ্রুপ অদু জনুৱারী ৮ দা সিঞ্জিয়াংদা থুংখি। মখোয়না লমদম অদুগী উরুমকি, টুর্পান, অটলে অমসুং কাসগরনচিংবা সিটিশিংদা বিজিট তৌদুনা গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিং ওইরিবা উইগুরশিংগা উন্নখি।

দেলিগেসন অদুগী হেদ অলি রসিদ অল নুৱাইমিনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্টশিংনা মরম ওইদুনা মপানদা লৈরিবা উইগুরশিং শাউনখি অমদি কাউন্সিল ওন অমেরিকন ইস্লামিক রিলেসন এন্দ জষ্টিস ফোর ওল্ড য়াওনা য়ুএসতা বেজ তৌবা মুস্লিম ওর্গনাইজেসনশিংনা ষ্টেটমেন্টশিং অদুগী মায়োক্তা অকনবা রিএক্সন উৎখি।

য়ু এ ইদা বেজ তৌবা ৱার্ল্ড মুস্লিম কম্ম্যুনিটিস কাউন্সিলগী চিয়ারমেন অল নুৱাইমি অমসুং অতৈ লুচিংবশিংনা সিঞ্জিয়াং উইগুর ওটোনোমস রিজনগী কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি সেক্রেটরি মা সিং গ্রুই অমসুং লমদম অদুগী চিয়ারমেন ইর্কিন টুনুয়াসগা উনখি। চাইনাগী সিঞ্জিয়াং পোলিসি সপোর্ট তৌবগীদমক মখোয় অনীমক্লা দেলিগেসন অদুগী লুচিংবশিং থাগৎখি। ষ্টেট মেদিয়ানা অল নোমিগী ৱারোল পল্লদুনা সিঞ্জিয়াংদা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা টেররিজম অমসুং এক্সট্রিমিজম মুখৎনবা হোৎনরিবশিং অদু চাইনাগী নেসনেল ইন্টরেষ্ট অমসুং লৈবাক অসিগী মীয়াম প্রোটেক্ট তৌনবগী অচুম্বা লম্বীনি হায়রদুনা থাগৎখি।

# জুদিসল রিফোর্মশিংগী মায়োক্তা ইজরেলদা পাক শন্না প্রোটেষ্ট চথখ্রে

টেল অভিব, জনুৱারী ১৫ (এজেন্সী):

হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা ইজরেল্লি লিশিং কয়া লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা সিটিশিংদা পুন্দুনা অনৌবা গভর্ণমেন্টনা জুদিসল সিষ্টেমদা রিফোর্ম কয়া পাক শন্না ইমপ্লিমেন্ট তৌননবা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অদুবু প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

প্রোটেষ্ট অদুনা পিএম বেঞ্জামিন নেটনয়াহু অমদি মহাক্কী নেসনেল সেক্যুরিটি মিনিষ্টর ইটামির বেন-গাবিরবু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না য়াম্না ঙন্না শিংনবা হৌরক্লে হায়বসি উৎলি। নেসনেল সেক্যুরিটি মিনিষ্টর ইটামরনা পুলিসতা প্রোটেষ্টরশিংগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা খঙহল্লদুনা করিগুম্বা প্রোটেষ্টরশিংনা লম্বী থিংবা নত্তগা পলেষ্টিনিয়ন ফিরালশিং উৎপনচিংবা চথরক্লবদি অৱেবা পাম্বৈশিং শীজিন্নদুনা মখোয়বু লাকশিনগদবনি হায়খি।

ইজরেল্লি মেদিয়ানা পুলিস পল্লদুনা হায়রি, মদুদি প্রোটেষ্টর ৮০,০০০ হেনবনা টেল অভিবতা মরু ওইবা প্রোটেষ্ট চথখি। অতৈ সিটিশিংদসু খরা পীকপা মওংগী দিমোন্সট্রেসনশিং পাঙথোক্লখি। দিমোন্সট্রেসনশিং অদু হৌখিবা চহী খরগী মনুংদা লৈবাক অসিদা চথরকপা খ্বাইদগী চাওবা প্রোটেষ্টশিংনি হায়না লৌনৈ। টেল অভিবতা প্রোটেষ্টরশিংনা ঐখোয়গী লৈবাক্কীদমক্তা ফাইট তৌ হায়বা সাইনশিং পায়বগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অদুদা থোক্লিবা ৱাথোক অদুগী মতাংদা তুমিন্না লৈশিন্দুনা লৈরক্লিবা ইজরেল্লি প্রসিদেন্ট আইজাক হেরজেবকী মায়োক্তা স্লোগান কয়া লাউখি। হৌখিবা চয়োল ইজরেল্লি জষ্টিস মিনিষ্টর য়ারিব লেবিননা পার্লিয়ামেন্টপু সুপ্রিম কোর্টকী রুল্লিংশিং ওভররাইট তৌবগী পৱর পীবা য়াওনা রিফোর্ম কয়া লাউথোকখিবনি।

# রসিয়ানা ইম্মর্জেন্সি ফিভম মায়োক্লরক্লবা আই এস এসতগী এষ্ট্রোনোটশিং হোন্দোক্লগনি

মোস্কো, জনুৱারী ১৫ (এজেন্সী):

রসিয়ানা অনমেন সোইয়ুস এম এস-২৩ স্পেস ক্রাফট থাগৎতুনা ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসন (আই এস এস) তগী এষ্ট্রোনোট অহুম পুরক্লগনি হায়না রসিয়ন স্পেস ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

স্পেস ওথোরিটিশিং অদুগী মতুং ইন্না এষ্ট্রোনোটশিং অদুগী সোয়ুজ এম এস ২২ স্পেশিপ ইম্মর্জেন্সিগী ফিভম অমা মায়োক্লরকপদগী মখোয়বু অনমেন স্পেস ক্রাফট অদু থাদুনা স্পেস ষ্টেসন অদুদগী পুথোরক্লবগী থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

রসিয়াগী স্পেস এজেন্সি রোস্কোসমোসকী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, রসিয়ন কোস্মোনোটশিং সর্গি প্রোকোপিয়দ অমদি দমিট্রি পেটিলিনগা লোয়ননা নাশাগী এষ্টোনোট ফ্রান্সিস্কো রুবিয়ো মথংগী চয়োল খরগী মনুংদা সোয়ুজ এম এস-২৩ দা তোংদুনা আঠতা হল্লক্লগনি।

হৌখিবা থাদা এষ্ট্রোনোটশিংনা আই এস এসকা শম্নদুনা লৈরিবা সোয়ুজ এমএস-২২ গী ইন্সট্রুমেন্ট-এসেমব্লি কম্পার্টমেন্টগী আউটর স্কিনদা দেমেজ থোকপগী ফিভম থেংনখি। মদুনা মরম ওইদুনা কুল্লিং সিষ্টেমদা প্রেসর হন্থবগী ফিভম লাকখি। ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা আই এস এস অমসুং সোয়ুজ এম এস ২২ গী সিষ্টেমশিং নোর্মেল ওইনা ওপরেট তৌরি। তৌইগুম্বসুং রোস্কোসমোস অমসুং মসিগী পার্টনর স্পেস এজেন্সিশিংনা ক্রু মেম্বরশিং অদু অশোয় অঙাম য়াওদনা আঠতা হল্লকপা য়াননবগী থৌরাংশিং লৌখৎপনি। মরু ওইনা সোয়ুজ এম এস-২৩ থুংদ্রিঙৈ মমাঙদা এক্সিদেন্ট অমা থোরকপগী ফিভম খন্নদুনা চেকশিন থৌরাংশিং অসি লৌখৎখিবনি।

সোয়ুজ এমএস-২২ স্পেস ক্রাফট অসি কুমজা ২০২২ গী সেপ্টেম্বর ২১ দা কাজাখষ্টানগী বাইকোনুর কোস্মোদ্রোমদগী থাগৎখিবনি। স্পেস ক্রাফট অদুদা থা তরুক চুপ্পা ওর্বিটতা লৈবা য়ানবগীদমক আই এস এসতা পুগদবা প্রোকোপিএফ, পেটিলিন অমসুং রুবিয়ো য়াওখি।

# য়ুকেগী ফোরেন সেক্রেটরি রসিয়াদা চঙবা থিংখ্রে

মোস্কো, জনুৱারী ১৫ (এজেন্সী):

হন্দক্তা রসিয়াদা চঙবদা অথিংবা থমখ্রবা বৃটিস সিটিজেন ৩৬ কী মনুংদা য়ু কেগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ফোর ফোরেন, কম্মন ৱেল্থ এন্দ দিভলপমেন্ট এফিয়র্স ক্লেবর্লি য়াওই হায়না রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্স পার্সন মারিয়া জখারোবাগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, ক্লেবর্লিগা লোয়ননা মিনিষ্ট্রি অসিনা অথিংবা থমখ্রবশিং অদুদা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ফোর লেভেলিং অপ, হাউসিং এন্দ কম্ম্যুনিটিস অমসুং মিনিষ্টর ফোর ইন্টর গভর্ণমেন্টেল রিলেসন্স মাইকেল গোল্ফ, দটচি ওফ লঙ্কাষ্টরগী চাঞ্চেল্লর ওলিবর দৌদেন, মিনিষ্টর ৱিদাউট পোর্টফোলিও নদিম জহাৱি অমসুং চীফ ওফ ড জেনরেল ষ্টাফ পেট্রিক সেন্দরসু য়াওরি।

লন্দনদা রসিয়াগী মায়োক্তা মুক্লবগী পোলিসি অমা চল্লাইরকপগা মরী লৈননা রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা শগোলশেল নুমিত্তা বৃটিস সিটিজন ৩৬ কী মায়োক্তা ট্রাবেল বেন্দ লাউথোকখিবনি।

DHANAMANJURI UNIVERSITY

## DHANAMANJURI UNIVERSITY MANIPUR

### ꯄ꯭ꯔꯦꯁ ꯔꯤꯂꯤꯖ / PRESS RELEASE

Imphal, the 13th January 2023

The Dhanamanjuri University was established on 6th April, 2018. Since inception, all faculty members (including utilized) and non-teaching staff members of 5(five) Constituent Colleges (DM College of Science, DM College of Arts, DM College of Commerce, GP Women's College and LMS Law College) have been sincerely taking role in teaching-learning processes and other academic and non-academic activities of the University in addition to their normal duties in colleges. The University was recognized under section 2(F) of UGC Act, 1956. The notification for the direct recruitment of teaching faculty and non-teaching staff was published in the month of December, 2020 and accordingly all the interviews/written test have been conducted and completed.

The University has already initiated the process of declaration of the results of interviews. The Government also assured for the declaration of results at the earliest.

The Department of Higher and Technical Education, Government of Manipur already notified and issued orders for the bifurcation of all teaching on 24th November, 2022 and the process for bifurcation of the non-teaching staff from the Department of Higher and Technical Education, Government of Manipur to Dhanamanjuri University is also under process. Accordingly, the University authority **has submitted the list of incumbents and other information to the UGC to declare Dhanamanjuri University fit to receive Central assistance under section 12(B) of UGC Act, 1956.**

The University appeals to all teaching faculties of all 5 (five) Constituent Colleges that the University will shortly notify about the classification of teachers for teaching UG & PG classes. Therefore, all teachers are informed to extend cooperation for teaching UG, PG & Pre-Ph.D. classes as usual in the interest of students until the above said classification is completed.

Sd/- **Dr. Nivedita Lairenlakpam**
Registrar
Dhanamanjuri University
Manipur

HL-B/7980/16